# ওগষ্ট ১৫ মণিপুরগী নীংতম্বা নুমিৎনি হায়না করিগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবনো?

**Dr. Th. Suresh Singh, MD.**
**Ex-Director, Health & WHO fellow**

**ওপিনিয়ন** মেকর অসিনা হৌখিবা চহী ৪ অসিদা ঈরাংনা থল্লবা ঐখোয়গী ইতিহাস অসি অমুক হন্না ইথোক্তুনা অচুম্বা ইতিহাসকী perspective অদু পুরক্নবা কন্না হোৎনজরি। অইবনা তোয়না তোয়না পঞ্জবদি ঐখোয়না শাশিন্নবা হিষ্টোরিয়নশিং অমসুং শাশিন্নবা ইন্টেলেকচুএলশিংনা হায়বদু অচুম-অরান খঙদনা হেক্তা লৌবদু তোকপা মতম ওইরে হায়বসিনি। মরকসিদা গভর্ণমেন্ট অমসুং তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি কয়ানা ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭পু ঐখোয়গী ইন্দিপেন্দেন্স দেনি হায়না পাঙথোক্লরি। মসি খ্বাইদগী হৈজদবা অমদি ইতিহাসপু লান্না অর্থ হন্দোকপা অমনি।

ওগষ্ট ১৪/১৫, ১৯৪৭ কী অহিং নোংয়াইদা, বৃটিশনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াবু থাদোকখি। মণিপুরগী ওইনদি, পোলিটিকেল এজেন্ট (পি এ) Steward না বৃটিশকী লিগেসি অদু থাদোক্তুনা মখোয়গী পৱার অদু Dominion of India দা শিন্নখিরম্মী। হায়রিবা সেরেমোনি অদু বৃটিশ রেসিদেন্সিদা (হৌজিক্কী গভর্ণর হাওস) Mr. Steward অমসুং বোধচন্দ্র মহারাজগী মরক্তা তৌনখি। ঐখোয়গী অরোইবা P. A. Mr. Steward অদু মহাক্না মণিপুর অমদি ইন্দিয়া থাদোক্ত্রিঙৈদা মাগী অরোইবা ওফিসিএল দ্যুটি অদু পাঙথোকচরম্বতনি। হায়বদি লৈঙাক সাসনগী শক্তি অদুদি শিল্লোংগী অসাম গভর্ণরদা অদুম লৈহৌরি। নুমিৎ অদুদগী বৃটিশ গভর্ণর অদু ইন্দিয়ন গভর্ণর অমনা মহুৎ শিলহৌরগনি। মসি P. A. Steward তি য়াম্না ফজনা মমুৎ তানা খঙই, প্রমানদি, হেক নোংয়াই মতুংদা মানা "Good morning your highness, I am the 1st Dominion Agent of India" হায়না লাউথোকপা অদুনি, সেরেমোনি অদুদা। লাইবক থিবা হায়ববু, ঐখোয় মণিপুরীশিংনা, শাশিন্নবা হিষ্টোরিয়নশিং অমদি শাশিন্নবা ইন্টিলেকচুএলশিংগী মতুং ইন্দুনা মসি খঙদবা অসিনি।

চুম্মী, বৃটিশনা অহিংদুদা মণিপুর থাদোকখি, মসি অচুম্বা ইতিহাসকী ৱাফমনি; ঐখোয়না মসি হোংবা ঙম্লরোইদবা ৱাফমনি। ঐনা তোইনা তোইনা পঞ্জরিবা মরুওইবা ৱাফমদি 'বৃটিশনা মণিপুরদা পাল্লমদে' হায়বসিনি। 'বৃটিশনা পাল্লম্বা মতম' হায়বগী মহুত্তা 'বৃটিশনা লৈরম্বা মতম' হায়গদবনি। মণিপুরনা ১৫/১০/১৯৪৯ দা Dominion India দা তিনদ্রিফাও, মনীং মখা তম্না হাই-হুম্না পাল্লম্বা লৈবাক অমনি; মসি ফাওবদা শিল্লোংদা তৌখিবা ২১/০৯/১৯৪৯ গী মর্জর এগ্রিমেন্টকী মতুং ইন্ননি। ঐনা পঞ্জরিবসি ফুল ওটোনোমি অদুবুনি- দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফ্যেরস এন্দ কম্যুনিকেসনদি বৃটিশতা লৈহৌবনি। হায়রিবসি বৃটিশনা মণিপুর থাদোকখ্রবা অমদি মর্জর তৌদ্রিবা মতমদুগীসু চুম্লবনি, হায়বদি ১৫/০৮/১৯৪৯-১৪/১০/১৯৪৯ গী মতমদুসু।

ইতিহাস হায়বসি 'its and buts' ঙাক্তনি। ঐখোয়গী মুন্না ইতিহাস পাদবা হিষ্টোরিয়নশিং অমদি মমুৎ তাদবা ইন্টেলেকচুএলশিংনা Instrument of Accession অমসুং Stand still Agreement হায়বসি করিনো হায়বসি মমুৎ তানা খঙদে। ১১/০৮/১৯৪৭ তা এগ্রিমেন্ট ২ অসি খূৎয়েক পীখ্রবনা, মণিপুরনা Dominion of India দা তিল্লে হায়বা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদুদা অদুম লৈ। মসিনা চুম্লবদি কোন্না মর্জর এগ্রিমেন্ট অমা সহি নম্নবগী অর্থ করিনো? মসিবু মখোয়না খন্থবা লৈখিব্রা? হায়রিবা মীওইশিংসিনা এগ্রিমেন্ট ২ অসি মুন্না খঙদবসি য়াম্ন া লাইবক থিবনি। মণিপুরগী অহানবা চীফ কম্মিস্নার, মেজর জেনরেল রৱট সিংহনা ১৫/১০/১৯৪৯ গী নুমিৎয়ুংবদা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেসন লৌশিনখি হায়বসি মখোয়না খঙবা নত্তে। নিয়ম চুম্না খনখিবা ঐখোয়গী মণিপুর লেজিসলেচর অদুসু নুমিৎসিদা দিজোল্ভ তৌখিবনি। অদুনা, মীচম প্রজানা খঙবা শাশিন্নবা মীওইশিংসিনা হায়বা অমদি তৌবদা মতুং ইনবা হায়বসিদি মহৌশানি। অদুনা ঐখোয়না, মীচম প্রজানা লান্না হন্দোকপশিং অসিবু অচুম্বনি হায়না লৌজবদুদা শাওফম থোক্তে।

ঐখোয়গী হিষ্টোরিয়নশিংনা ইন্দিয়ন এক্ট, ১৯৩৫ চৎনখ্রবা মতুংদা লাকখিবা ঈরাংগী মতম অদু মখোয়না পাবা অমদি খনখিবা নত্তে। হায়রিবা ইরাংগী মতম অদুদা, মরুওইনা British Prime Minister Attlee না ১৫/০৩/১৯৪৬ তা কেবিনেট মিসন অমা ইন্দিয়াদা থারবা মতুংদা, এগ্রিমেন্ট ২ অসিগী দ্রাফটিং অমদি রিদ্রাফটিং কয়া হঞ্জিন হঞ্জিন তৌখি। নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংনা (মণিপুরগুম্বা নেটিভ ষ্টেটশিং) মশা মশাগী হেন্না অমুক কান্নবা ফংনবা হোৎনবদা ফিভম অদু অমুক্তা হেন্না লুহল্লম্মী। অদুনা, লিগেল্লি অমদি পোলিটিকেল্লি, Instrument of Accession অমসুং Stand still Agreement খূৎয়েক পীনরবসু মর্জর এগ্রিমেন্ট অমা ইনদবা য়াদবা হায়বদু ওইরম্মী।

অদুনা হৌজিক্তি মসি শেংলে মদুদি ১৫/০৮/১৯৪৭ অসি মণিপুরগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নত্তে, মসিদি বৃটিশ লিগেসি অমসুং পৱার অদু শিল্লোংদা লৈবা গভর্ণরনা মহুৎ শিনবা Dominion of India দা শিন্নবা নুমিৎনি। বৃটিশ লিগেসি অদুদি দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফ্যেরস অমসুং কম্যুনিকেসন খক্তনি, মদুসু পুরা মপূম নত্তে। অদুনা কনাগুম্বা মীওই/কাঙলুপ্না নুমিৎ অসিবু নীংশিংগে হায়রবদি 'বৃটিশনা লৈরম্বা মতম' লোইবা নুমিৎ ('বৃটিশনা পাল্লম্বা মতম' হায়রোইদবা) হায়না ওবজার্ভ তৌগদবনি।

অদুনা ঐখোয়না নীং-খা তম্না অদুম লৈরিঙৈদা ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭পু করিগী ইন্দিপেন্দেন্স দে হায়না পাঙথোক্কদৌরিবনো? মসি মিসনোমর অমনি অমদি শেংদবা ৱাখল্লোন উৎথোকচবনি। মসি পাঙথোক্কে হায়রবদি ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা পাঙথোক্কদবনি, হায়বদি মণিপুরনা Dominion India দা মর্জ তৌবা নুমিৎতুদা।

# অচুম্বদি পুথোকসি মেরা হৌ চোঙবা

অনিলকুমার মাইস্নাম

**খোয়ুমগীদি** চকশিংকোন মালেন লৈশেমকোন তুংদারেন কোনবা চকশিং ইতাইরেন, মৈনা ৱাই তাংনা শম :-

১) লাইনিংথৌদি সনামহি মশানৌতোন লাই পাখঙববু মপন সলাইরেন শিদবগী খোয়ূম ফম্বাল লাংননবা সলাই শিদবগী ময়াথংলেন ইঞ্জদুনা মালেমগীদি অনেম্বা সনামহি লৈশেমকোন কংলৈ কংলা পুংকোইরেন্দা কোরৌথক্তগী চীংউবা লাইয়াম মালেম লৈশেমকোন খোয়ুম লাইয়াম পূন্নমক মায়কৈ ৪ শুমদাই ৮ খোয়ুম লাইতিন পুংকোই ওইদুনা পাখঙবা সলাই মী পোং মীৎ পাংঙৈ খোয়ুম চকশিংকোন চীংউবা ফম্বান ৱাতাইননা নুমিৎ শিংগুম ১৮নি মপন সলাই ফম্বালবু ঈরাৎ-থৌনি-থৌখাই মপাংখিএ।

২) পলেম মমা শিদবীনা নহাল নোংদা মতমখিবা সলাই ৭ ফিচুবু তাবু নুংলোন মহাংনা ফিশেং ফিচু ৭ তো সলাই মপু পাখঙবনা মতাইননা কংলৈ নিংথৌ পুংকোইরেন খোয়ুম লাইরেনবীদি হেল্লোইবী নুমিৎ-থাগুম লংদাইবী সলাই ৭ নাওকোনবী মপূ শিন্থা নোংদম্বী লাংওল্লিবদি লাইরেম্বী লাইস্না খরাইথক্তা লৈহাপ লৈরোং লাইদা কৎতুনা মরাল লুহোং মতাইননা মাংচোক-ফম্মেন লাংহৈরে পাখঙবা ফম্বান মেন্তোংএ, নুমিৎলোইদি হেল্লোইবা খোয়ুম লাইয়াম হরাউ মথোই মকাজৈএ।

৩) নুংলোন য়াৱা লৈশিন্নৈএ খোন্থোক লংতাই হৌরেল্লে হৌচোং লাংহৈ লংদাইএ কংলৈ হরাউ ইতম, সলাই শিন্থা লাংহৈরে লাইয়াম থৌখাই মপুইএ, হৌ কংলৈ মহৌএ সলাই পুন্সি নোংতমএ উমংলাই ফম্বাল লংতাইরে মালেম সলাই চাহোং-ঙাহোংএ, য়াইবি মরাং কাইনা নুংঙাই য়াইফ ইংনা চিক্না মপানখিবা, মেরা-হৌ-চোঙবা ৱাঙুউরোন্না কংলৈপাক্কী সলাই চৎনলোন্দা পাখঙবা লাইহুইনা য়েলহৌমীশিংগীদমক কংলৈপাক্তা নোংদম্বীরম্মে হায়না পুয়াগী লিক্লাংনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মসিনা মেরা হৌ চোঙবগী লাইগী লেংদবা লিরেন্নি।

২০ নবেম্বর ২০০৪ দগী ২০১৬, চহী ১২ ফাওবগী মনুংদা মীরমচৎনা পাঙথোকখিবা মেরা-হৌ-চোঙখিবদা তেন্তক্না নীংশিংবা য়াবদি ১) মেরা হৌ চোঙবদগী 'মেরা হাও চোঙবা' হোংলকখি। ২) 'চীংমী তম্মী পোৎ লান্নবনা' মরুওইবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অমগুম চঙশিল্লকখিবা। ৩) 'তাইবঙ মীশিংগী হরাউ কুম্মৈগুম' মীয়াম্না চিংনরকপা। ৪) থৌরম অসি 'লাইগী থৌরম থৌখাই' খক্তমক ওইনা পাঙথোকপা মেরা হৌ চোঙবা থৌরমনি হায়বা ঙম্লক্তবা। ৫) ঙসিগীদি হৌখ্রে থংনবা চহীদা মেরা হৌ চোঙবসি কনানা করি অমুক করম্বা মওংদা পুথোরক্কদবনো মীয়াম্না খঙনীংবা অমদি ওইরি। চহী খুদিংগী মান্নদবা মওংদা অসুম অসুম হৌখ্রবদি মেরা হৌচোংবসি করি ওইরক্কদগে। মরী লৈনবশিংদা অমুক্তং নীংশিংবগী মতম ওইরে হায়জনীংই।

থৌরম অসি অশেংবা, অচুম্বা, পুৱারীগী মৈহৌরোল মশক খঙনা মফম অমদি মতম নাইনা, চোইথোক্তনা 'মেরা হৌ চোঙবা থৌরম পাঙদ্রে, মেরা হৌ চোঙবা অরেপ্পা য়ূম্ফম ওইদ্রে। মতমগী খোঙচৎতা হৌ চোঙবা থৌরম পাঙবনি' হায়বসি মেরা হৌ চোঙবা থৌরম থৌপাংলিবশিংগী মফমদা খঙদবশিংনা লান্না পাঙথোকখিদনবগীদমক মখাগী ৱাফমসি অচুম্বদি পুথোকসি 'লৈপাক নিংথৌ, ফম্নাই-ফমথোন অমদি হৌ চোঙবা কম্মিটি -

১) অহানবা মেরা হৌ চোঙবা মফম কদাইদনো? (কংলা থেল্লোন্দা সনামহি পুয়া)

২) অহানবা মেরা হৌ চোঙবা কনানা হৌদোকখি? (মার্জিং শুমলেন কংলা পুয়া)

৩) করিগীদমক কংলাদা মেরা হৌ চোঙলিবনো? (থাংজিং শুমলেন কংলা পুয়া)

৪) মীওই কয়ানা মেরা হৌ চোঙবা থৌরম মপূং ওইগদগে? (লাইয়াম ঈরাৎ থৌখাই পুয়া)

৫) করি করম্বা থৌরম্না মেরা হৌ চোঙবা থৌরম পাঙগদগে? (লৈমা শিদবী ফম্বাল পুয়া)

৬) লৈপাক্কী ওইবা থৌনি থৌরম মেরা হৌ চোঙবদা কনানা তৌগদগে? (সলাই শিদবা ফম্বাল পুয়া)

৭) য়েলহৌমী সলাইদা মেরা হৌ চোঙবনা করি ফোঙদোকপগে? (পাখঙবা মরাললোন, পুয়া)

৮) মেরা হৌ চোঙবা হৌদোকখিবা মৈদিংঙুগী মমিং করি কৌবগে? (সনামহি ফম্বাল পুয়া)

৯) মেরা হৌ চোঙবগী থৌরম থৌদা করিনো? (পাখঙবা সলাই পুয়া)

১০) মেরা হৌ চোঙবনা মীওইবদা করি কান্নবা পীবগে? (কৌব্রু শুমলেন কংলা পুয়া)

১১) মেরা হৌ চোঙবদা তৌগদবা থৌরম থৌদা করিনো? (ৱাংব্রেন শুমলেন পুয়া)

১২) মেরা হৌ চোঙবদা পনা ৪ মফম কদাইদা লৈগদগে? (কংলা চুকখোং ৪ পুয়া)

১৩) মেরা হৌ চোঙবদা করি করম্বা পোৎলম য়াওগদগে? (উমংলাই ৭৬১গী শংলেন পুয়া)

১৪) মেরা হৌ চোঙবা থৌরম্না লৈপাক্কী করি করম্বা ফল খঙবা ঙম্বগে? (লাম্বান থৌখাই পুয়া)

১৫) মেরা হৌ চোঙবদা করি করম্বা থৌরম (কুম্মৈ) পাঙগদগে? (পাখঙবা নাওথেম)

১৬) মেরা হৌ চোঙবা করম্বা মতমদগী হৌদোকখিবগে? (সনামহি লাংওন পুয়া)

১৭) অহানবা মেরা হৌ চোঙবা কনা কনা শরুক য়াখিবগে? (কংলা ওইরকখিবা)

১৮) মেরা হৌ চোঙবদা করি করম্বা থৌরম্না লোইশিনগদগে? (হৌ কংলৈ হৌ চোঙবা পুয়া)

অসিগুম্বা কংলৈপাক্কী লাইনীং-লাইশোন, ধর্ম্মগা মরী লৈনরিবা ইপা-ইপুশিংগী লিক্লম, নিংথৌরোনশিংগী লিক্লাং পরেং তুংলমচৎকীদমক মেরা হৌ চোঙবনা অশেংবা মশক তাক্লিবা থৌরম অসি হেন্না মপূং ফানবগীদমক, মীয়ামগীদমক, তুংলমচৎকীদমক, খোয়ুম লাইগী অশেংবা মশক খঙহৌনবগী লংলা লংজিনবু পুথোকপীয়ু। ৱাফমশিংসিগী হেন্না মরুওইবদি পাখঙবা লাইহুগী লাতম-৩৬৪ না কংলাগী পাখঙবা থেল্লোন কংলৈদা নীংদ্রিমখৈ মেরা হৌ চোঙবগী কান্নবা লৈরোই হায়বসু তাক্লি। হৌ চোঙবদি লাইগীনি, লাইগী থৌরমদি কায়হল্লোইসি, লৈবাকসি ঈংনা পালহনসি, চাহোং-ঙাহোংহনসি, অচুম্বা খরদি তৌহৌসি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নোংমৈ চিন্দোন্দা দ্রাইভরগী পুন্সি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর*

**মণিপুরগী** মনুংদা ৱাথোক লান্থোক ময়াম, বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, ধরনা অমদি এজিটেসন, ইস্যু কয়াদা মহৈরোয় য়াওনা হৌরিবা ঈহৌ অসিগী মথক্তা মীয়ামদা হেন্না চমম্নবা, হেন্না চৈথেং নংলিবা অসি নেসনল হায়ৱে অনীমক অসিদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবা অসিসু অমনি। মতম মতমগী পেন্দবা কয়াদগী মণিপুরগী চাকহোন লম্বী ওইরিবা অনীসি থিংজিনবা অসিনা হকথেংননা পুশিল্লক্লিবা গাড়ী কয়াদা তোয়না নোংমৈ কাপশিন্দুনা মথৌ তৌজদুনা ইমুং মনুংগী অৱাবা কয়া পুজদুনা মচা-মশুগী মহৈ-মশীন তম্বগী অমদি নুপী অঙাংগী অৱাবা পোৎলুম পুজরিবা দ্রাইভর কয়ানা শিনিংচিৎতা থেংনরিবা কয়া, শিখিবা কয়াসু য়াওখ্রবা, শোয়নাইরবা কয়াসু লৈরবা অসি মীওইবগী লিচৎ নত্তে। পূন্নমক অসি মণিপুর মীয়াম্না থেংনবা হকথেংনবা অৱাবা অমনি। মসিদা মণিপুর মীয়াম লাক্ষ ২৮,৫৫,৭৯০ হেনবা অসিনা চৈথেং অসিবু খাঙদুনা লৈফম থোকপরা? মীয়ামগা খ্বাইদগী নক্নবা সী এস ওশিং লৈরি। মখোয়গা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈররোইদ্রা? অসুম খাঙদুনা তৌনীংবা তৌহল্লসি হায়বরা? ৱাহংসি ঙসিগী মীয়াম্না ঙসি ঙসিমক হংনরক্লিবনি। নেসনল হায়ৱে অসি সেন্তরনা প্রোটেক্সন পীনবা ওই হায়। সেন্তরনা ফোর্স কয়া থাজিন্দুনা থম্লিবনি অদুবু সেন্তরগী ফোর্স পূন্নমক মথৌ তৌদবগুম উরি। সেন্ত্রেল ফোর্স তুমিন্না লৈবা অসিদা ঐখোয়গী রাজ্যগী লৈঙাক্লসু তুমিন্না য়েংদুনা লৈরগদ্রা?

কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশ ইন্দিয়াগী লান লোইদুনা রাজ্য অসিদা নীংতম্বা মাঙখ্রবনি। লোইলমগী লৈঙাক মখাদা লমদমসি ৱানা হিংবা তারকখি। অদুগী তুং কুমজা ১৯৪৭ তা ইন্দিয়া নীংতম্বা ফংলে মদুদা মণিপুরসু নীংতমখি। অদুবু নীংতম্বা হঞ্জিল্লবদা মণিপুরগী নিংথৌ ইনি দয়াগী মোইথেম লাংদা থুখি। মদুনা মরম ওইরগা এগ্রিমেন্ট কয়া তৌনবদা নাগালেন্দগী ফেবর তৌদুনা মণিপুর কায়বা য়াবা কোচি কয়াসু কোৎতুনা থল্লমখিবনি। কুমজা ১৯৪৯দা মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌদুনা হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। অদুদগী কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্তেম্বর ২১দা মর্জর এগ্রিমেন্ট নমদুনা খূৎয়েক পীহনখি। অদু ওইবা তারবদি ঙসিগী মণিপুর ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন্দা তিন্দুনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরবনি। তোঙানবা রাজ্য অমা ওইনা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরবদা রাজ্যগী লো এন্দ ওর্দরসু ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈফম থোকই। করিগুম্বদা অপূনবা ইন্দিয়াগী শক্তম কায়বা য়াবা খুদিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌদাং ওইফম থোকই। কনষ্টিট্যুসন্দা রাজ্যগী লিষ্ট, কংকরেন্ট লিষ্ট অমদি য়ুনিয়ন লিষ্ট হায়দুনা খায়দোক্লিবা অসিদা ইন্দিয়াগী ঙসিগী থৌওং দিভাইদ এন্দ রুল শান্নবনি খঙলবা ৱাফম নত্তবরা? অদুনা ঐখোয়গী পুন্সি অসিবু কনাগী মখাদা হিংবা তাবগে, নোংমৈ পায়বশিং অসিগী মিৎয়েংখাদা ঐখোয় হিংবা তাবরা? ঐখোয়গী পুন্সি কনানা কনবীগদৌরি? নোংমৈগী মখাদা চহী কয়ানো ঐখোয়না হিংগদবা থায়না চাওখৎত্রিঙৈগী মতৌগুম অফং অফংবা খূৎলায় পায়দুনা হাৎনবা তারব্রা? লৈপাক অসিগী আইন্না কদোমদা চৎখ্রবনো? লম্বী চৎপদা অমদি মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবা অসি আইন্না য়াব্রা? আইন্নদি য়াদে অদুদি আইন্না য়াদবা অসিবু থমফম থোকপরা? আইন ঙাক্নবা রাজ্যগী ফোর্স অমদি সেন্তরগী ফোর্স কয়া তলব চাউনা পীদুনা থম্লিবা অসি করিবু কান্নরিবগে। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী শেমফমবুদি ফোর্সকী তলবনা শোয়দনা হেনগনি । অদুনদি ঐখোয় খুদিং শূবা নোম্বা থাদোক্তুনা খূৎলায় লোয়না পায়বা তারব্রা? য়ারবদি ৱারীনা ওইনা লোইহন্নিবা তৌবীবা, য়াদ্রগনা য়াদবগী তৌফম থোকপা অমা তৌবা ফরব্রা?

হীরম অসিদা অসিদা ঐখোয় তুমিন্না লৈফম থোক্লিবরা? ঐখোয় করি তৌসিগে খন্নবা মতম ওইদ্রিব্রা? মসিনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিনা হন্দক্তা নৌনা লৈঙাক পায়রক্লিবা বি জে পিগী ইকায়খুম্নজরিবা শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়েংদুনা অফবা মীয়ামগী খনবা ঙম্বা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা চাওখৎপা অমদি মাংদা খুমাঙ চাউশিনগে খনবা পূন্নমক য়াম্না শাথিনা থিন্থহনবনি। মসিগী থাক অসি লৈরবা অসিদা মীয়াম্বু নুংশিবা লৈঙাকসিবু ইকায় খুম্নবীবা ওইনা নোংমৈ মরাং কায়না লৈরিবা ইচিন ইনাওশিংনসু ৱাখল খরা খন্থবীবা মতম ওইরে খনজৈ। সেন্তরনা এন এস সী এন্দা মোইথেম তৌবদা শোয়খিদুনা নৎত্রগা কাউবদগী মণিপুরগী মথিবোং কোখোক্তুনা পীথোকখিগদ্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। হীরম অসি মুন্না খন্থবীবা য়াম্নমক মথৌ তাই। অদু নত্তনা অনৌবা জুন ১৮গী থৌদোক অমুক লাক্তনবা থৌশিল থৌরাং য়াম্না তঙাইফদনা চঙই। চেকশিলহৌদ্রবদি নোংমা মতম অমদা হেক্তা মণিপুর তাঙ্গৈাই তাবা হায়বসি লৈপাক্তা খূতুম্না থাবগুম্বনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ*
*ককচীং খুনৌ*

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) য়োইশগাই (খ) উরৌরে

২। ''চেং লৈতবগী মরম পূন্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে।'' পরেংসি কুঞ্জমোহনগী 'ইলিশা অমগী মহাও' দগী লৌথোকপনি। মসিদা 'মঙোন্দা' হায়রিসি কনাবুনো?

৩। ''য়ু থকউ/গঞ্জা থকউ/কানি চাউ/.../মঙ মংঙু, নুংঙাইনা তূম্মু।'' কবি ইবোমচানা হায়বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ''অহিং/মৈত্রবাক্কী অথেংবা অহিং/অহিং নঙগী নতম্বাক্তা চুরান্থাবশিংনা মনীং তম্লি।'' মসিনা 'তায়োন্নরবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগীনি। নহা ওইরিবী অইবীদু কনানো?

৫। কাশিনাথকী নোভেলবু 'বন্ধান থন্নবা রঘু' হায়না হন্দোকপদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।